## শেকপীদগী শন্দোরকখিবনি

বৈজিং, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
মালেম পুম্বনা শাথিরবা অনৌবা কোরোনাভাইরস (২০১৯-এন সী ও ভি)গী লাইচৎ তশেংনা করিদগী শন্দোরকখিবনো হায়বগী মতাংদা ৱাখল শাগৎনদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা লানসেটকী মরু ওইবা ষ্টদি অমদা শরুক য়ারিবা রিছার্সরশিংনা লাইচৎ অসি শেকপীদগী শন্দোকপা হৌখিবনি লিনদগী নত্তে হায়বগী ইঙ্গিৎ অমুক হন্না পীখ্রে।

চাইনিজ সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী প্রোফেসর গুইজেন ৰুনা হৌজিক ফাওবদা মখোয়না ফংলিবা দেতা অদুগা ভাইরস অদু ইহান হান্না শেকপীদগী শন্দোরকখিবা ওইগনি হায়বসিগা চান্নে হায়না ষ্টদি অদুদা ফোঙদোকখি।

## এয়রমেন অনী শিরম্লে

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা অফঘানিষ্টানদা য়ু এস মিলিটরি প্লেন অমা কায়খিবদা এয়রমেন অনী শিখি হায়বসি কনফার্ম তৌরে হায়না য়ু এস দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। মীওই অনী অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা ঘজনি প্রোভিন্সতা থোকখিবা ক্রাসতা শিখিবনি।

# ঘোসন নাম্থোকহনখিবগীদমক্তা জপান্না মীওই ৩ গী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইশ্যু তৌখ্রে



টোকিয়ো, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
হান্নগী নিসান মোটোর কোগী বোস কার্লোস ঘোসনবু নারোন্দা জ পান্দগী চেনহনখিবদা চেন্নবনি হায়না চিংনবা য়ু এস স্পেসল ফোর্সেসকী হান্নগী লান্মী ১ অমসুং অতৈ মীওই অনীগী মায়োক্তা শগোলশেল নুমিত্তা জপানিজ ওথোরিটিশিংনা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইশ্যু তৌখ্রে।

হান্নগী য়ু এস গ্রীন বেরেট মাইকেল টেলর অমসুং অতৈ মীওই অনী জোর্জ-এন্টোইন জয়েক অমসুং টিপর টেলর ফাননবা ৱারেন্টশিং ইশ্যু তৌখ্রে হায়না প্রোসিক্যুটরশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

লোনা য়াদবা মওংদা লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎখিবগীদমক ঘোসনগী মায়োক্তসু এরেষ্ট ৱারেন্ট অমা ইশ্যু তৌখি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কার্লোস ঘোসন অসি কম্পনিগী আর্নিংশিং চপ চানা রিপোর্ট তৌদবা, থাজবা মাঙহনবা অমসুং কম্পনিগী ফন্দশিং লন্নাই ওইনা শীজিন্ননিংবা মওংদা শীজিন্নবগী মরালশিংদা ৱায়েল চথনবগী মতম ঙাইরিঙৈ হৌখিবা চহী লোইশিল্লকপদা মহাক্কী অঙাং ওইরিঙৈগী ময়ুম লৈরিবা লেবননদা চেনখিবনি। প্রোসিক্যুটরশিংনা শীরিবা মরাল পুম্নমক ঘোসন্না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবনি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা ঘোসনগী হান্নগী উকিলগী টোকিয়োদা লৈবা ওফিসতা থি হুম্বগী থবক অমা চথখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা এরেষ্ট ৱারেন্টশিং অদু ইশু তৌখিবনি। ঘোসনবু জপানদা থাদুনা ৱায়েল মায়োক্লহনগদ্রা নৎত্রগা লেবননদা ৱায়েল চথগদ্রা হায়বগী মতাংদা লেবনন অমসুং জপান্না নুমিৎ ৪০ নিগী মনুংদা ৱারেপ লৌগদবনি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখ্রবনি। লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি লৈতবদা নত্তনা লেবননগী ওইনা লৈবাক অসিগী মীওই অমত্তা অতোপ্পা লৈবাক্তা ৱায়েল চথনবগীদমক্তা শিন্নবগী চৎনবী লৈতে হায়রি।

# নারোন্দা পোৎ হোন্নবগী খ্বাইদগী শাংবা খুৎশেমগী শুরুং য়ু এস-মেক্সিকো বোর্দরদা লৈরম্লে





কালিফোর্নিয়া, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
লোনা য়াদবা পোৎশকশিং নারোন্দা পুথোক-পুশিন তৌনবগী খ্বাইদগী শাংবা টনেল মেক্সিকোগা লোন্নবা বোর্দরদা লৈরম্লে হায়না য়ু এস ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

বি বি সীগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ফুট ৪,৩০৯ শাংবা টনেল অদুদা লিফট অমা, রেল ট্রেক, দ্রেনেজ অমসুং এয়র ভেন্টিলেসন সিষ্টেমস য়াওবগা লোয়ননা হায় ভোল্টেজ ইলেক্ট্রিকেল কেবলশিংসু য়াওরমখি।

চাংচত্তা টনেল অদু লৈমায়দগী ফুট ৭০ লুথরগা লৈ অমদি ফুট ৫.৫ ৱাংই অমসুং ফুট অনী পাকই হায়না য়ু এস কষ্টমস এন্দ বোর্দর প্রোটেক্সন্না ফোঙদোকখি।

লৈনুংদা শাংনা তৌরগা শেল্লল্লিবা অখুবা লম্বী অদু মেক্সিকোগী সিটি টিজ্যুৱানাদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিএল সাইট অমগা কালিফোর্নিয়াগী সান দাইগো এরিয়াগা শম্নে হায়রি। টনেল অদুগা মরী লৈননা মীফা-মীপুন নৎত্রগা দ্রগনচিংবা ফাগৎপা লৈখিদে। মদু করম্বা গ্রুপ নৎত্রগা মীওইশিংনা শেমখিবনো হায়বগী লংলা-লংজিন ফংদ্রি হায়রি।

# কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ চাইনা মপুং লম শীন থুংলে ভাইরস অসিনা শিহনবা ১৭০ শুরে, কেস ৭,৭১১ য়ৌরে



বৈজিং, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
টিবেটতা কোরোনাভাইরসকী কেস অমা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিগী লাইচৎ চাইনা মপুং লমগী লমদম খুদিংমক য়ৌরে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ হেল্থ ওথোরিটিশিংগী ৱারোল পল্লদুনা বি বি সীগী রিপোর্টন হায়, জন্যুৱারী ২৯ ফাওবদা অনৌবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎতা শিখিবা মী মশিং ১৭০ য়ৌরে অমসুং লায়না অসিগী কনফার্ম তৌবা কেস মশিংনা ৭,৭১১ য়ৌরে। ভাইরস অসিগী ইনফেক্সনশিং য়ামদ্রবদা অতৈ লৈবাক ১৫ দসু শন্দোকখ্রে। কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা মালেমদা হেল্থ ইমর্জেন্সি অমা থোকহল্লে হায়না লেপ্পগদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না শগোলশেল নুমিত্তা অমুক হন্না খন্নরগনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মরু ওইনা লৈবাক খরদা মীদগী মীদা ভাইরস অসি শন্দোকপগী খোংজেলনা ঐখোয়বু নুংনাংহল্লে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর-জেনরেল টেদ্রোজ অধানোম ঘেব্রেয়েসুনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা মহাক্না চাইনাদা লৈরুরগা লাকপা মীওইশিংদগী ভাইরস অসি লৌরকখিবগী কেসশিং লৈবা জর্মনি, ভিয়েটনাম অমসুং জপান লৈবাক অহুম অসি পনখি।

চাইনাগী মপানদা ভাইরস অসিগী কেসশিং মশিং য়ামদে হায়না লৌবা তারবসু মখোয়দগী পাত্তক্লনা ভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপা য়াবগী ফিভম ৱাংনা লৈ হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী চীফ অসিনা ফোঙদোকখি। মমাংদা সিভিয়র একুটে রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সার্স)গী লাইচৎ শন্দোকখিবা মতমদগী হেন্না চাইনাদা অনৌবা কোরোনাভাইরসনা মী মশিং হেন্না শোকহনবগী ফিভম লৈরবসু লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা শিহল্লিবা মীগী মশিং নেম্মী হায়না লৌনরি। চাইনিজ নেসনল হেল্থ কম্মিসন মিনিষ্টর মা সিয়াৱৈনা ফোঙদোকখিবদা, চাইনাদা থোকখিবা অতোপ্পা কোরোনাভাইরস মখল অমা ওইরিবা সার্সকা মান্নদবা মওংদা অনৌবা ভাইরস অসিদি ইনক্যুবেসন মতমদা লৌনগল্লি।

# অনৌবা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পাংগে হায়না টাইৱান্না অমুক হন্না চাইনাদা হায়খ্রে



টাইপৈ, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
চাইনানা অনৌবা কোরোনাভাইরস থেংনবদা মতেং পাংগে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা টাইৱান্না অমুক হন্না ওফর তৌখিবগা লোয়ননা চাইনানসু ভাইরসকী লাইচৎনা মরম ওইদুনা চৎথোক-চৎশিন অমদি থবক থৌরম খুদিংমক লেপহনখ্রবা লাইচৎ অদুগী ইপিসেন্টর সিটি ৱুহানদা ফাইদুনা লৈরিবা টাইৱানিজ ৪০০ রোম ইথৎ অসিদা হল্লকহনবদা পীরকপা মতেং পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মশানা লৈঙাকচরিবা টাইৱাননা চাইনানা শেল-থুম অমদি কলচরগী ওইবা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। চাইনাগী সেন্ট্রেল সিটি ৱুহানদগী হৌখিবা হৌজিকফাওবদা মীওই ১৭০গী পুন্সি লোমহনখ্রবা ভাইরস অদুগী কেস ৯ ইথৎ অসিদা লৈরে। তৌইগুম্বসুং টাইৱান অমসুং চাইনাগী পোলিটিকেল মরীদি মখা তানা অরুবা ফিভমদা লৈরি।

চাইনানা টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা লৌশিনবসু য়াবা মশাগী টেরিটরিনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবগা লোয়ননা টাইৱানগা নক্কনা মিলিটরি দ্রিলশিং পাঙথোকপা য়াওনা দিমোক্রেসি চৎপা ইথৎ অসিদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকখিবনি।

টাইৱানগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা ৱিলিয়ম লাইনা নোংমাইজিং নুমিত্তা চাইনাদা মতেং পাংগে হায়না ওফর তৌখ্রবা মতুংদা ইথৎ অসিগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা শগোলশেল নুমিত্তসু অমুক হন্না ওফর তৌদুনা অনৌবা লাইচৎ অদুগা মরী লৈননা চাইনাদা মীনুংশি উৎপগা লোয়ননা মতেং পাংনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

মীওইবগী অৱা-অনা তানরবা মতমদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইরগা ঐখোয়না চাইনাগী অনৌবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা পুন্সি লোমহনখিবা মীওইশিংগী ইমুংশিংনা নংহৌরিবা অৱাবদা শরুক য়ানিংবগী ৱাখল্লোন অসি উৎলি। ঐখোয়না অঙম্বা পান্বৈশিং শীজিন্নদুনা অৱাবা নংলবা মফমশিংদা চঙদুনা মতেং পাংবা পাম্মী হায়না টাইৱানিজ প্রসিদেন্টনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্টানদা খুৎলায় পায়বশিংনা পোলিও ভেক্সিনেটর অনী কাপ্পুনা হাৎখ্রে, ওপরেসন অনীদা টেররিষ্ট ১০ হাৎখ্রে



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
পোলিও ভেক্সিনেটর অনী পাকিষ্টান্দা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। মশাগী চহী ২৮ শুরুবী সকিলা বেবি থৌদোক থোকফমদা খুদত্তা শিখি অমসুং মশাগী চহী ৩০ শুরবী গুনচা গুলনা ফিভম লুনা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুংদা শিখি।

নুপীশিং অসিনা ভেক্সিন কিটশিং থম্নবা হোস্পিটাল অমদা চৎলিঙৈদা বাইক অমদা লাকপা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা মখোয়দা এটেক তৌখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না মখোয় খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী সুৱাব দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পরমোলি টাউনদা অঙাংশিংদা ভেক্সিন থাবগী থবক তৌখিবনি।

লোকেল পুলিসকী মতুং ইন্না লমদম অদু লালহৌবগী ইরাং কা হেন্না কনবা মফম ওইদে হায়না লৌনবদগী পোলিও ৱর্করশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা সিক্যুরিটি গার্দশিং লোইনহনদে।

পরমোলি পুলিস ষ্টেসনগী মকোক জিহাদ খান্না ফোঙদোকখিবদা, লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবা মতমদা মখোয়গী মথৌ লোইরবা মতুং নুপীশিং অদুনা পোলিও ভিক্সিনেসনগী কিটশিং হোস্পিটালদা থম্বা চৎলিঙৈদা বাইক অমদা লাকখিবা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা মনিংলোমদগী কাপখিবনি। খুৎলায় পায়বশিং অদু এটেক অদুগী মতুংদা য়াম্না থুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

গুনচা গুল অহানবদা স্বাবিগী কালু খান হোস্পিটালদা পুদুনা লায়কন্নরম্বদগী পেসৱারদা লৈবা লেদি রিদিং হোস্পিটালদা হোংদুনা মখা তানা মতম খরা লায়কন্নরল্লবা মতুংদা শিখিবনি।

কঞ্জাভের্টিভ খাইবর পাখতুনখ্বা অমসুং বলোচিষ্টান প্রোভিন্সশিংগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পোলিও ৱর্করশিংদা এটেক তৌবগী থৌদোকশিং তোয়না থোকই হায়বা য়াই। হৌখিবা দিসেম্বরদা লৈবাক অদুগী লালহৌবগী ইরাং কনবা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদমদা ইম্যুনাইজেন প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াখিবা পুলিস পর্সনেল অনী মশক খঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

অমরোমদা, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা পাকিষ্টানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা ওপরেসন অনীদা টেররিষ্ট ১০ হাৎখ্রে হায়রি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিক্যুরিটি ওফিসল অমগী মতুং ইন্না য়ুমশকৈশাগী অহিংদা চথখিবা ওপরেসন অনীদুগী মনুংদা অমদা লান্মী অনীসু শিখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খাইবর পখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী নোর্থ ৱাজিরিষ্টান ট্রাইবেল দিষ্ট্রিক্টকী দাতা খেল এরিয়া অমদি সাউথৱেষ্ট বলোচিষ্টান প্রোভিন্সকী কেচ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বুলৈদা এরিয়াদা ইন্টলিজেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ওপেরেসনশিং চথখিবনি।

## বোর্দর থিংজিন্দ্রবদি ষ্ট্রাইক তৌগনি কিহনখ্রে

হোং কোং, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি) :
মালেমদা তুজুংবা পোকহল্লিবা অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দারকপা থিংনবা চাইনা মপুং লমগা তাইনবা বোর্দর গভর্নমেন্টনা থিংজিনদবা তারবদি ষ্ট্রাইক চথরগনি হায়না হোস্পিটাল অমসুং রেল ৱর্করশিং য়াওনা হোং কোংগী ট্রেদ য়ুনিয়নশিংনা কিহনখ্রে।

হোং কোংগী লিদর কেরি লাম্না সিটি অসিগা চাইনা মপুং লমগগী মরক্তা লৈরিবা হায়-স্পীদ রেল সর্ভিসশিং অমদি ক্রোস-বোর্দর ফেরি সর্ভিস পুম্নমক শগোলশেল নুমিৎকী অহিং নোংয়াইদগী লেপ্পনবা ওর্দর তৌখিবা ওইরবসু য়ুনিয়নশিং অসিনদি মদুনা মতিক চাবা ওইদে হায়রিবনি।

থবক শুরিঙৈ মনুংদা ভাইরস অদু লৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা মায়োক্লবনা মরম ওইবনা ফ্রন্ট-লাইন কোলিগশিং মীপাইনদুনা লৈরে হায়না মেট্রো ওপরেটর এম টি আর কোর্পকী ৱর্কর ৫০০ রোমগী মহুৎ শিল্লিবা রেলৱে পৱারনা ফোঙদোকখি।

হোস্পিটাল ওথোরিটি ইমপ্লোয়ীজ এলাইয়ন্সনা গভর্নমেন্টকী খোঙথাংশিং তরাম্না ওক্লবসু বোর্দর পুম্নমক থিংজিনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
NOTIFICATION
Imphal, the 30th January, 2020

No.2/18/96-HSC: It is, hereby, notified for information to all the concerned that the meeting of the Supervising Officers, Officers-in-charge and Flying Squad Team Members for the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 will be held at the Council office, Babupara, Imphal to discuss the matter relating to free and fair conduct of the said examination as per the following:

| DATE | TIME | CATEGORY | SCHEDULE |
|---|---|---|---|
| 3-2-2020 | (a) 11.00 a.m. (1st Phase)<br>(b) 1.00 p.m. (2nd Phase) | All Supervising Officers and Officers-in-Charge of the ensuing Higher Secondary Examination, 2020. | As per the Schedule mentioned in the Appointment Order |
| 4-2-2020 | (a) 11.00 a.m. (1st Phase) | (a) Flying Squad Team | College Faculty Members |
| | (b) 1.00 p.m. (2nd Phase) | (b) Flying Squad Team | Higher Secondary School Faculty Members |

All the concerned Supervising Officers, Officers-in-Charge and Flying Squad Team Members of the said Examination are, therefore, requested to make it convenient to attend the meeting on time.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur.

HL-B/6004/31

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL
Advertisement No. 1/2020
Dated, the 30th January 2020

No.MU/5-124/2020/FCY:/1682 It is hereby notified that the University is inviting application for 52 (Fifty Two) posts of Professor, Associate Professor and Assistant Professor for 26 Departments. Last date of submission of application forms is 7th March 2020. UGC regulation 2018 will be followed.

Details may be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in

Sd/- Registrar i/c
Manipur University

HL-B/6003/31

## য়ু এস-ইজরেলি বেকপেক্কর থাদোকখ্রে



মোস্কো, জন্যুৱারী ৩০ (এজেন্সি):
দ্রগকী চার্জশিংনা জেলদা থল্লকখিবা য়ু এস-ইজরেলি নুপী অমা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন্না ঙাকপীরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা রসিয়ন ওথোরিটিশিংনা থাদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা মোস্কোদা পুটিন অমসুং ৱাশিংটনদগী পাইশিল্লকখিবা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী মরক্তা ৱারী শানরবা মতুংদা নামা ইসাচার কৌবী নুপী অদুবু থাদোকপগী খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

মোস্কোদা ৱারী শানবা অদুদা নেটনয়াহুনা পুটিনবু য়াম্না থুনা ৱারেপ অমা লৌদুনা ইসাচারবু ঙাকপিখিবগীদমক্তা থাগৎখি। নুপী অদু শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা উনরগনি হায়না নেটনয়াহুনা ফোঙদোকখি। ন্যু জর্সিদা পোকখিবী মশাগী চহী ২৬ শুরবী নুপী অদুবু থাদোকপগী খোঙথাং অসি নেটনয়াহুগী ওইনদি পোলিটিকেলগী ওইবা মরু ওইবা মায় পাকপা অমনি হায়না লৌনৈ।

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
ওফিস ওফ দ রেজিষ্ট্রার ওফ ন্যুজপেপর্স ফোর ইন্দিয়া
(মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং)
৯ শুবা ফ্লোর, সুচনা ভৱন, সী জি ও কমপ্লেক্স,
লোধি রোদ, ন্যু দিল্লি - ১১০০০৩
তরিখ : জন্যুৱারী ২৮, ২০২০

খঙহঞ্জবা

প্রেস এন্দ রেজিষ্ট্রেসন ওফ বুক্স এক্ট (পি আর বি এক্ট), ১৮৬৭গী **সেক্সন ১৯-দিগী** মখাদা **পাউচেশিং ফোঙবগা মরী লৈননা চহী ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা** '*... পাউচে খুদিংমক্কী পব্লিসর খুদিংমক্না প্রেস রেজিষ্ট্রারদা ফংহনবা হায়বসি মখোয়গী মথৌদাং ওইগনি ...।*'

এন্যুএল ষ্টেটমেন্টশিং ফাইলিং তৌদবা হায়বসি মথক্কী সেক্সন অসি খোঙ্গাওনবগা মান্নগনি।

থংন-থংননা হৌখিবা চহী অহুম হায়বদি **কুমজা ২০১৬-১৭, কুমজা ২০১৭-১৮ অমসুং কুমজা ২০১৮-১৯**গী এন্যুএল ষ্টেটমেন্টশিং ফাইল তৌখিদবা পব্লিসর ১,০২,২৯৫ তা এন্যুএল ষ্টেটমেন্টশিং অসি ওনলাইনদা কুমজা ২০২০ গী ফেব্রুৱারি ৪ দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা ফাইল তৌনবগী অরোইবা খুদোংচাবা অমা পীরে। অসিগুম্বা পব্লিসরশিংগী লিষ্ট আর এন আইগী ৱেবসাইট (http://rni.nic.in/)তা অপলোদ তৌরে।

এন্যুএল ষ্টেটমেন্টশিং ফাইল তৌনবগী লিঙ্ক ফেব্রুৱারি ৪, ২০২০ দগী হৌরগা আর এন আইগী ৱেবসাইটতা ফংলগনি।

davp 22214/11/0002/1920

